# পাঙ্গল শোনবীনি হায়দুনা লৈবগী মতম ওইরক্তবা

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা



ঙসি মালেমগী নুপীগী নুমীৎনি। মালেমগী মফম কয়াদা নুপীগী নুমীৎকী অখন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা শেম-শারি। নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা অৱা-অনাগী মরমদা নৈনগদৌরি। নুপীবু করম্না থাক ৱাংখৎকদগে হায়বসিগী মরমদনি অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙগদৌরিবসি। মণিপুরদসু নুপীগী নুমীৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

নুপীগী নুমীৎনা লাকপদা নুপী ওইবীশিংগীদমক্তা ৱাজগদৌরিবশিংদি লৈবাকসিগীদমক্তা খঞ্জরবা মীওই ঙাক্তনি হায়বসি ময়েকনা তারবা ৱানি। অদুবু নুপীগী নুমীৎ লাক্লবসু নুপীগীদমক্তা করিসু নাচুংলোইদবা নুপী কয়া লমদম অসিদা লৈতবদি নত্তে। নুপীনা নুপীবু ওৎপগী চৎনবী হৌজিকসু অদুম্মক লৈরি। অউনপোৎ য়াম্না উল্লকপী মমৌবুনা মচাগুম্না লুনা তৌরগা অউনপোৎ উল্লকপা ঙমজদবী মমৌবুনা উল্লকপী মীনাইগুম্না খনবা ঙম্বী মনেম কয়া লৈতবসু নত্তে। অমরোমদনা, হৌজিক লাইরিক-লাইশুগী লমদা নুপী ওইবীশিংনা নুপা ওইবশিংদগী মাঙজিল থাবা হেনগৎলক্লি। শান্ন-খোৎনবগী লমদসু অদুমঙাই। নুপীগা নুপাগা য়েংনবদা নুপীনা নুপাদগী চাং তাদ্রে। হিরম খুদিংমক্তা নুপীগা নুপাগা থাক মান্নরে। নুপী কয়া ওফিস অমগী মকোক থোংবা ফমথোন পুরি। কনানসু নুপীনা মকোক থোংবা ফম পায়বা য়ারোই হায়বা লৈতে। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ফাওবা নুপীনা ওইখ্রবনি। নুপীনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী লুচিংবী ওইবগী পাউ মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবনি। থোইদোক-হেন্দোক্লা হৌজিক হৌজিক নুপী ওইবীশিংগী মরক্তা য়াম্না কন্না ঙাঙনরিবসি ঔং সাং সুচিনি। মহাক্কী পোলিটিক্সপু মীয়াম্না পাম্নবা হেনগৎলক্লি। মসিদবু নুপীনি হায়দুনা কৈদৌরুবা য়াগদগে। লমদমসিগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ কয়া পুরকখ্রবী মেরি কোম নুপীনি। নুপীনা মরমদমগী মিংচৎ পুরকপদা কনানসু নুপীনি হায়না ইন্থোক্লুদে। নুপী হায়বসিনবু ফরবদি ইমুং অদু অফবা ইমুং হায়বদু ওইহনবা ঙম্মী। মতাং অসিদা মীতৈ পাউরৌ অমা নীংশিংলকই। 'হৈ হেকপদি লাই, হৈ খুনবনি লুরিবদি'। চুম্মী হৈ খুনবা হৈতবদগী কাং-খোং চাইরবা ইমুং কয়া লমদম অসিদা লৈরিবনি। তাশিন-খোমজিনবা হায়বসি নুপী ওইবীশিংগী মথৌনি। লক্ষ্মী, দুর্গা, পান্থোইবী, ইমোইনু নুপী ঙাক্তনি। মখোয়বু নুপীনি হায়দুনা কনানা ইৱাৎ থৌনিদবা য়াওবগে। নুপী ওইবীশিংগী থৌনা লিংজেল অঙকপনি হায়নবসু লৈরি। খাঙবা কনবদা নুপী হায়রিবনি। মখোয়নবু লেপখ্রবদি ইনবদা লেঙদে হায়নবসু লৈ। অফবা নুপা অমগী মরুমদা নুপী অমা লেঙদনা লৈ হায়বসিসু পুন্নমক্লা হায়নবা ৱানি। মণিপুরী খুন্নাইনা ঙসি ফাওবা লৈবা ঙম্লিবসি নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। নুমীৎ কাপ্পা, মোইরাং কংলৈরোলদগী হৌরগা হৌখ্রবা মণিপুরগী পুৱারী পুন্নমক্তা নুপীগী চাউরবা থৌদাং লৈ। কনানা কাউথোকপা ঙমগনি। ঐখোয়গী নুপীলান। হৌজিক শর্মিলা চরা হেল্লি। শর্মিলা চরা হেল্লিবা অসিগুম্না করম্বা নুপানা অসুক শাংনা চরা হেনবা য়াওখ্রবগে। নুপী ওইবীশিংনা মৈনম পায়দুনা কল্লকপা মণিপুরী খুন্নাইনি হায়বসি ময়েক্লা তারবা ৱানি। পুন্নমক অসি মালেমগী নুপীগী নুমীৎনা লাকপসিদা নীংশিংফম থোকই। নুপীগী নুমীৎ লাকপদা নুপীগী হক নীংশিংদবদি ঙমদে।

মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীগী হক য়াম্না লৈ। ঐখোয়গী নুপীশিং কৈথেল ফম্মী। চীংদা কারগা শীং চল্লি। পাৎতা কুম্লগা লোং খোল্লি। ইমুং অমা পুনবা হোৎনবদা নুপানা পুরিবা থৌদাং অদুম্মক নুপীশিংনা পুনবা হোৎনৈ। মরম অসিনা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপা নুপীগী নুমীৎকী থৌরমগা মণিপুরদা পাঙথোকপা নুপীগী নুমীৎকী থৌরমগদি মশানা খেন্নবা তাবনি। নুপীগী নুমীৎকী ৱা পল্লকপদা নুংঙাইবা ৱারী কয়া নীংশিংলক্তবদি নত্তে। মরমদি মণিপুরদি নুপীনা ৱায়েনবা লমদমনি। নুপীমচা অমা মমিৎতগী মপি তারগা য়ুমদা হঞ্জিনবা ঙম্লরোই হায়দুনা নিংঙাই তৌরকপদা পামদ-পামদনা নুপা কয়া ময়ুম পান্নখ্রবনি। তাদা কুমারসু লৈকায়গী নুপীমচা অমগী মিৎলু পিরাংনা ময়ুম পানখি। নুমীৎ অদুদা তাদা কুমার মরাল লৈরবা অমগুম মমায় থাঙ্গৎপা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্লা হায়খি, ঐ লানদি লানদবনি, শুপ্ন তগী মহাক্লা থবক অমা চৎমিন্নরুসি হায়দুনা চৎলুবা খক্তনি। থবক চৎলুরগা হল্লকপা মতমদা গাড়ী য়াদবদগী নুমীৎ তাখি। নুমীৎ তাশিল্লক্লবনিনা নুপীমচা অদুনা ইবুংনা ফ্রগনি হায়দুনা মমিৎতগী মপি তারকখি। অদুদগীদি লম্বী মতায়দা লৈরম্বা মীয়াম হুপচিল্লক্তুনা তাদা কুমার নুপীমচা অদুগা পুন্সি য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। অসিগুম্বা ৱারী অসিসু মালেমগী নুপীগী নুমীৎনা লাকপসিদা খন্নফম থোক্লকই। মরমদি থা খরগী মমাঙদা লৈখিদ্রে হায়দুনা পোলোইথোকখ্রবী নুপী অমা অতোপ্পা নুপাদা ময়ুম পান্দুনা লৈরম্বা অসিসু মালেমগী নুপীগী নুমীৎনা লাকপদা খন্নরোইদ্রা। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মালেমগী নুপীগী নুমীৎনা লাকপদা মালেমদা লৈরিবা নুপী পুন্নমক্লা নুপী ওইবীশিংগী অৱাবদি খঙমিন্নফম থোকই।

নেসনল থিয়েতর ফেস্তিবেল, ২০১৬

## কোরস রিপটরি ঠিএটরগী অনৌবা ৱাহন্থোক অমা থিরিবা *মেকবেথ*

হুইয়েন ইন্দু



মণিপুরি থিয়েতরগী খোঙচৎ অসিদা তাঙলবা নুমিৎশিং য়াম্না তাঙনা লাকই। মমাঙদা অসিগুম্বা তাঙলবা নুমিৎ খরদি লাকখ্রে, পঙনা লাক্তে। মার্চ ৬ তগী ১২ ফাওবা, নুমিৎ তরেৎনি চৎথগদৌরিবা 'নেসনেল থিয়েতর ফেস্তিবেল, ২০১৬' হৌদোকপা তাঙনা লাকপা অদুগুম্বা নুমিৎ অমনি। চিফ মিনিস্তর ওক্রম ইবোবী অমদি ৱার্ক্স মিনিস্তর কে ঐচ রতনকুমার অনীনা ফেস্তিবেল অদু হৌদোকখি। ইন্তরনেসনেল থিয়েতর মেপ'তা অচৌবা মফম অমা কল্লবা মণিপুরদা নেসনেল থিয়েতর ফেস্তিবেল অমা পাঙথোকপা হায়বসি অরুবা ৱাফম অমা ওইফমদি থোক্তবনি। মরমদি মণিপুরগুম্বা কলচরগী লমদা থাক ৱাংনা লৈরিবা লমদমসিদা অসিগুম্বা ফেস্তিবেল শিনবা হায়বসি মরম অমদি মতিক চাবনি। অসিগুম্বা ফেস্তিবেল রিগুলার ফিচর ওইহনগদবনি। মতূং তারকপা চহীশিংদসু লৎপা লৈতনা পাঙথোক্লক্কনি হায়বসি পুন্নমক্কী থাজবনি।

ফেস্তিবেল অসিগী অহানবা লীলা ওইনা ঈরমদমসিগী চাউথোকচফম, ইন্তরনেসনেল থিয়েতর মুবমেন্ত'তা মাঙজিন থারিবা দিরেক্তর রতন থিয়ামগী খ্বাইদগী অনৌবা প্রদক্সন 'মেকবেথ' উৎখি। দ্রামা য়েংবীনবা মী ৱাৎলবা, চেৱাউপীদুনা লেম্না য়েংবীয়ু হায়র'ফাওবা লাকপীয়ু য়াদ্রবা লমসিদা, তাঙনা উবা কোরসকী দ্রামা পর্ফোর্মেন্সকীদমক্তি য়েংবীনবা মী ৱাত্তে। তিকেৎ ফংহৌদ্রবা মীশিংগীদমক মার্চ ১৩, ২০১৬ তা অখন্নবা সো অমা উত্তৌরি। মসিগীদমক তিকেৎ কাউন্টরদা ক্যু লেপ্পবা হৌখ্রে।

ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রগী *মেকবেথ*-খঙদবা কনা লৈরমগনি? চহী চামরি-তরাগী মমাঙদা ইখিবনি থাজনরিবা প্লে অসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মাগী-মাগী লমদুগী ঈশিং-নুংশিৎকা চূসিন্নহন্নবা হোৎনদুনা নৌনা ইথোকপা অমদি পুথোকপা তৌদুনতা লাক্লবনি। মালেমদা মমিং লৈরবা জাপানগী ঠিএটর অমদি ফিল্মগী দিরেক্তর অকিরা কুরোসোৱা'না ১৯৫৫ দা *থ্রোন ওফ ব্লদ* হায়না মিংথোন্দুনা পুথোকখিবা মেকবেথকী ভর্জন অদুনা ঙসি ফাওবদা খ্বাইদগী ৱাথোক চাওবা অমদি মমিং চৎপা মেকবেথকী এদাপ্তেসনশিংগী মরক্তা অমনি হায়না শৈথানরি। রতন থিয়ামগী মেকবেথ'সু ঈচম চম্বা থৌদোক অমগী ৱারী লীবা, থৌদোক খরা ফম্বাকথক্তা নৌনা শাগৎপদু নত্তে। মহাক্ল হায়রি- *মেকবেথ হায়বসি মালেম শীন্না শন্দোরক্লিবা, লায়েংবা ঙমদ্রবা তমথীরবা লায়না অমনি। কল্লকপা, খম্বনবা, অপান্বা, মিহৌবা, মীহাৎ-মীপুন পুন্নমকসিনা লায়না অসিগী খঙবদা ৱারবা লায়ওংনি। মসিদি অকক্লবা ফুরুপ, খুন্নাই অমখক্ত নাবা লায়না নত্তে মীওইবা কৌবা থৱায়পানবশিংদা মফম মতম নাইদনা চহী কয়াগী মমাঙদগী নারক্লবা অমদি লায়েংবা ঙমদনা নাখিগদৌরিবা লায়নানি...'।* ফোঙদোক্লিংলিবা নুংগী ৱারোল অসি রতন'না আর্ট হায়বসিগী চৎনবী মতৌ অদুগুম লোৎশিন্দুনা, ফুমদুনা থম্নবা হোৎনদে। লীলাসিগী তরামাথোই অমদি তরানিথোইশুবা তাংকক অনীগী লংদাইদা হৈ শিংনা ফেনজিল্লক্তুনা, চেন্থরিবা লীলাগী ঈচেল অদুসু কায়হন্দনা, ঈচেলদুদা তাউথরকপা ফজরবা চেগী হি অমগুম চেন্থহল্লকই। লীলাসিগী খ্বাইদগী নীংথিজবা, অয়েংবশিংগী পূক্লিংবু খুদুম চনখিবা মতাং হায়বদু মদুনি। দিরেক্তরিয়েল নোৎ অমবু লীলাগী মৱ্ধ ওইব মচল/মতাং ওইনা ফেনজিনবা কনানা কৈদৌঙৈ তৌখ্রবগে?

মপু (নিংথৌ) না চানবা মনাই অমনা, ফংঙমদবদু ফংলকপদা অচাওরম কারবী মাগী তালোয়গী মৱা লৌরুঙৈ, মপুদা তৌবীমল উৎপৈ মহুৎ মপুদুমক্কী য়াইবী লৌদুনা নিংথৌগুম্না পুন্সি লেন্নবা হোৎনরকপদগী মরোন-মরান তাক, লৈখা তাখিবা *মেকবেথ* কৌবা ক্যারেক্তর অমগী ৱারীনি সেক্সপিয়রনা ইরম্বা। *মেকবেথ* অমদি মাগী তালোয় - লীলা অসিগী য়াঙলেন শরুনি। অনীসিগী শক্তম লাংখিবা সোমো অমদি এলিজাবেথ- অনীমক দিরেক্তরনা ৱাখলগী তাইবংদা শাগৎলিবা শক্তম অদু অয়েংবশিংগী থমোয় লায়ুমদা য়েকপা ঙম্মি। অদুবু, এলিজাবেথকী ত্রেনিং প্রোসেসতা করি অকায়বা লৈখিবনো, এক্তরশিংগী ইনর্জিদা শাদোং ওইদুনা শান্নবা লীলাসিদা খোনশি চৎলবা মাগী 'ভোকেল ইনর্জি'না মরায় চায়থখিবদু অয়েংবশিংগী থম্মোয় কায়হনখি। হেলোই শারিবীশিংনা ঙাঙলিবা ৱাহৈ অমদি খোম্থোক- অয়েংবশিংগী মরোম দা ঙাঙলগসু লোন খঙদবশিংগী মমাঙদা ঙাংলকপগুম থোকখিবদু- মাইবীগী লাইফাও খোম্থোক্তা প্রোজেক্ট তৌরকপা ওইবনা লোলথৈ ওইনা নৎত্রগা শ্বর অমা ওইনা থোক্লবসু খজিক্তং লৈতোন শেংনা অতাবশিংগী নাকোংদা ময়েক শেংহন্নিংবা খরা লৈরি। দিরেক্টরগী ওইবা তোঙানবা ৱাখল্লোন অমদি শোয়দনা থুপলমখিগনিদি খল্লি। পাক চাওরবা, পূমহাং হাঙলবা স্তেজগী স্পেস অদু, সেত অমত্তা য়াওদনা, এক্তরশিংগী অকনবা মুবমেন্ত, নীংথিনা দিজাইন তৌরবা হেন্দ প্রোপর্তিজ, অঙকপা লাইটিং দিজাইন কয়াগী মতেংনা অঙকপা ভিজুয়েল পোইত্রি অমা শেমগৎপা ঙমখিবা- অদুনি অতৈনা মতৌ তমঙমদ্রবা কোরসকী স্পেসিয়েলিটি। ত্রাইবেলশিংগী ফিজেৎ-লৈতেং, নাৎকী ওইবা পোৎলম-চৈরম অমদি ঈশৈ-নোংমাইগী ইলিমেন্তশিং নীংথিনা লৌখত্তুনা শীজিন্নৈ, ওরিজিনেল ক্রিয়েসন মানহল্লি। মীতৈশিংগী য়ুমথোঙ খুদিং চন্নদনা তারিবা, ঙা ফানবা মীতৈ-লূ, লাম্নীগী কোক্কী লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা, য়াংকোকপু চূঙ্গাই ওন্থোকপা- পুন্নমকসিনা *মেকবেথ* প্রদক্সনবু কলচরেল য়ুনিতিগী মশক অমসু ওইহল্লি। চপ মান্নবা পোৎশক অমদা মীয়াম্না য়েংনবা মীৎয়েংদুদা নত্তবা, অতোপ্পা মীৎয়েং অমদা য়েংলগা পোৎশক অদুগী অশেঙবা মশক মাঙহন্দনা অনৌবা শক্তম অমা শাগৎপা অদুবুনি 'দিকন্সএক্সন'। মীৎয়েং অসিদগীসু কোরসকী *মেকবেথ* মায় পাক্লে হায়বা য়াই।

কোরস রিপর্টরি ঠিএটরগী পর্ফোর্মেন্স অদু য়েংলুরগা, খোম্থাং ওইনা নাকোংসিদা নিন্দুনা লৈহৌবা, *মেকবেথ* কী ৱাহৈ অদুদি.... *মরাল লৈজদবা মীশক অমবু ঐনা তুল্লিঙৈদা হাত্তুনা তুম্বা হায়বদুবুসু ঈখূৎসিনা হাৎলুরে, ঙসিদগী ঐ অমুক হন্না তুম্বা ফংলরোই...* হায়বা অদুনি।

*মেকবেথ* কুম তুম্বা ফংদ্রবা, মরাল লৈরবা অনাবা কয়া ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা লৈরমগনি ?

মালেমসিগী মফম খুদিংদা মীওইবগী পুন্সিরোলদা মরা তাদুনা লৈখ্রবা লৌতুনবা, কল্লকপা, মীহৌবা, মীনুংশি খঙদবা হায়বা লাং অসিদা মীওইবগী পুন্সি, ৱাখল পুন্নমক থুখিদুনা নীংবা কায়রবা মালেম অমা শাগৎলক্লিবা অসি কোরসনা নৌনা পুথোরকিলবা *মেকবেথ* না মীনম্বা, মীহৌবা লাংদা থুরবা মালেমগী মীওইবা খুদিংমক্তা পাউখোং ওইনা চল্লি। মীওইবা খুন্নাইদা কাঙলোন অমা ওইনা শাগৎলক্লিবা তুংলমচৎ উদবা মালেমসিদা ঐখোয় কয়াম কুইনা তুমখিগনি।



# য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসনগী সাইওন উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম



মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ৱের্ষ্টন কলচরেল এসোসিএসন, ইম্ফালনা শীন্দুনা অহানবা নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৪-১৫ হৌদোকখ্রে। মার্চ ৭ তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপী খক্তগী ওইবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চৎথরি। ফেষ্টিবেল অসিগী অহৌবা নুমীৎতা য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসনগী *সাইওন* উৎখ্রে।

হায়রিবা লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি কংলৈপাক ইরমদম অসিদা তশেংনা থোকখিবা পুয়াগী তাঙ্কক খরদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীনি। অদুঙৈ চীং-তম অনী চান্না-নুংশিন্নরিঙৈ লীপুন অদুনি। মৈদিংঙু তেলহৈবনা খঙহৌদনা নোঙ্গাখ্রবা (কুমজা ১৩৩৫-১৩৫৫) মচানুপা তবুংবনা মৈত্রবাক্কী কংলা ফম্বাল ফংফম থোকপদা তেলহৈবগী মনাও তোনাবনা ফম্বাল মুনখিবদগী, তবুংবা মমা সনরেম্বীগা লোয়ননা তাংখুল খুলদা চেন্দুনা লোৎখি। তাংখুল খুলদা লৈরিঙৈদা মৈতৈ নিংথৌমচা তবুংবগা খুল্লাকপগী মমোমলোয় লারা লাংনুগা অপাম নুংশি পরৈনখি। তাংখুলশিংগী মতেংগা লোয়ননা তবুংবনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইরবদা লোইবী চীংদা লাক্তুনা মতম অমগী নুংশি খোঙবুরোই লারনলাশংনুবু মৈতৈ লৈমা হাপকে হায়না থিরকপা মতমদদি লারনলাশংনুদি চীংশোং নিংথৌ খল্লাংবদা থাজখিরম্লে। তবুংবা নীংবা কায়না হল্লকখি। মমাগী থৌইনশিনদগী অঙোম নিংথৌগী মচানুপী লম্ফেল ঙম্বীবু লৌদুনা মৈতৈলৈমা হাপখি। অদুমকপু চীংশোং নিংথৌদা ওংখ্রবী, নাওৱা পুন্সি খোঙবুরোয় লারনলাশংনুবুদি অহিং নুংথিল অনীদা খক কাউবা ঙমখিদে। তবুংবনা মনাই মশলশিংগা লোয়ননা চীংশোং নিংথৌ খল্লাংবনা লারনলাশংনুবু মৈদিংঙু তবুংবনা চৈরে ফিয়ান্নরব্রা হায়না অরানবা ৱাখলদগী তবুংবগী মঙক কক্তুনা হাৎখি। লারনলাশংনুনা তবুংবগী লুরেনবু নহোংশানা নমদা পোদুনা মৈতৈ কোনুংদা চেল্লকখি। মৈতৈ লৈমা লম্ফেল ঙম্বীদা শিন্নরম্লগা লারনলাশংনুদি কপ্লা কপ্লা চেনখিদুনা পুখাওগী হিদেন্দা কুমথরগা লাইজ ঈরোন্নুংদা লুপ্তুনা য়াইবী থৱায় থাখি। মফম অদুবু ঙসি ফাওবা নোংপোক ইরৈমগী *সাইওন* খুভম ওইনা ঈরাৎনরি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিংদি এন শান্তি দেবী, কে ঐচ অঙৌবী, সি ঐচ সুন্দরি দেবী, এস বিমোলা দেবী, বিজেন্তি দেবী, চিংবোই, ও মেম্বী অমদি অয়াংলৈমা অমসুং সুসিলানি। লীলা অসিদা নুপীগী শক্তম লাংলিবী আর্টিষ্টশিংদি এস ইন্দুরেখা দেবী, সান্থলেম্বী মোইরাংথেম, এস ইন্দুরেখা দেবীনি। লীলা অসি নবদ্বিপ নিংথৌজানা ইরগা ওইনাম প্রফুলোচন্দ্রনা দিরেক্সন পীবনি।



নুপী লীলা য়েংবীনবা মীগী মশিং ৱাৎলি হায়দুনা মীয়াম্না ঙাঙনজরবসু ঙসি শান্নখিবা লীলা অসিদি য়েংবা য়ারবা লীলা অমনি হায়দবা য়ারোই। আর্টিষ্টশিংনা মশা খিংনা লীলা শান্নখি। কষ্ট্যুমগীদমক্তা ৱাখল মপুং ফানা খনখি হায়বসি ঙসি উৎখ্রিবা লীলা অসিনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা উহনবা ঙমখি। নুপী লীলা হায়বসি ফোক অমসুং পুৱারীগী লীলাশিংদগী হৌরকপনি। ঙসিসু ফোক অমসুং পুৱারীগী লীলাশিং নুপী লীলা কাঙলুপনা থৱায় য়াওনা শান্নরি। হায়রিবা পরম অসিগী খুদুং ইন্দুনা শান্নরকপা ওইবনিনা নুপী কাঙলুপনা ফোক লীলা শান্নবগী পকচবা লৈতবা নত্তে। অদুবু করম্বা মখলগী ফোক লীলা শান্নরগা নুপী ওইবীশিংগী লীলা খরা হেন্না ফগৎহনগদে হায়বসিদি অখঙ অহৈশিংগী পাউতাক লৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। হৌজিক্তি আর্ট হায়বসিনা হিংদবা য়ারক্তে। পামজৈ হায়দুনা আর্টকীদমক্তা লৈবা কনানসু পাম্নরক্তে। শিনফম খুদিংমক প্রোফেসনেল ইথিক্স অমগা লোয়ননা চঙশিন্নরক্লবা মতম ওইবনিনা নুপী লীলা শান্নরিবশিংনসু শেন্থোক লৈবগী তঙাইফদবা লৈরে। মীয়াম্না য়েংনিংহনবা হায়বসিনা আর্টকীদি খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি। য়েংনিংহন্নবগীদমক্তা মখল কয়াগী শাজেল মথৌ তাই। ফেষ্টিবেল খক্তনা শুমাং লীলা হিংহনগদবা নত্তবনিনা নুপী শুমাং লীলাগীদমক্তা অৱা-অনা পুন্নমক থাদোক্লগা হোৎনরিবশিংবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনসু মতেং পাংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বসি নোংম-নোংমগী ময়েক শেংগৎলক্লি। ঙসি উৎখিবা লীলা অসিদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনা লীলা শান্নরকপা অসিনা নুপী শুমাং লীলাগীদমক্তা আর্টিষ্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি হায়বসি ময়েক শেংহল্লে। মখোয়বু অফবা লম্বীদা চৎখিবা ঙম্নবগীদমক্তা হৌজিক্তি নুপী শুমাং লীলা কৌরগা লৈকায় লৈকায়দা য়েংবীবগী মমল লৈগনি হায়না খল্লি। হোৎনজরিবা খক্তা নত্তনা মখোয়বু য়োকখৎপীবগী তঙাইফদবা অমা লৈরি। আর্ট হায়বসি য়োকখৎপীবসু চঙই। নুপী শুমাং লীলাগী কাঙলুপকীসু য়ুম য়ুমদা নৎত্রগা লৈকায় লৈকায়দা লীলাগী তম্ফম নৎত্রগা উনফম ওইবা অসিদগী হেন্দোক্লগা নুপা শুমাং লীলা কাঙলুপকুম্না চোল্লুপ-চোল্লুপ নাইনা ওফিস লিংদুনা থম্বগী মতম য়ৌরক্লে। মীয়াম্না পাম্মী হায়দুনা কদায়দগী করম্না লীলা কৌরুগদগে হায়না খঙবা ঙমদ্রগদি মসিসু অৱাবা অমনি। মসিগীদমক্তা খল্লগা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীল অনীনা নুপী লীলা কাঙলুপতা খরগা হেন্না মতেং পাংশিনবীদুনা মখোয়গী ওইবা ওফিস হাংবা ঙম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ঙসি উৎখিবা লীলা অসিনা মীয়ামদা পীনিংলিবা পাউজেলদি শিবা নাইদবা মীওইবগী পুন্সিগী লীক্লম অমা লৈ হায়বসিনি। অমগী মথংদা অমনা মথং মথং শমথরক্তুনা তাইবঙপানবা অসি শেন্লিবনি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। লীলা অসিগী দিরেক্টর ওইখিবা ওইনাম প্রফুলোচন্দ্রগী অচৌবা মায় পাকপা অমা লৈ হায়না লৌবা তাই। নবদ্বিপ নিংথৌজাসু নুপী শুমাং লীলাগীদমক্তদি থোইদোক্লা শকখঙনরবা অঙবা অমনি হায়বসিগী খুদম লীলা অসিনসু পীরি।

